**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-08.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং ঙসি নৌহৌননা য়েংশিনখ্রে।

২) ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনংনা লৈখিদবগী ৯৩ শুবা কুমওন ঙসি মনিপুরদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

৩) কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রি শ্রীমতি নিমুবেননা বিষ্ণুপুর জিলাদা কেন্দ্রগী সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী থবক থৌরমশিং ঙসি য়েংশিনখ্রে।

৪) মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিয়েট ওফিসিয়েল লেঙ্গুএজ ওইনা ঙসি অসাম বিধান সভা পাস তৌখ্রে।

অমসুং

৫) মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা তাঙ্কক অসিদগী লান্থোকবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখ্রে।

---সিগনেচর ট্যুন---

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মন্ত্রিশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা বিভাগশিং অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং নৌহৌননা য়েংশিনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা এম.এস.পি.দি.সি.এল, এম.এস.পি.সি.এল অমসুং মণিরেদানা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নখি। মীফম অদুদা পৱার ইনফ্রাষ্ট্রকচর, সার্ভিস দিলিভরি অমসুং কোওপরেতিভ ফ্রেমৱার্কশিং হেন্না ফগৎহন্নবা খন্নখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা কোর্পোরেসন বিভাগকী ওফিসিয়েলশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কোওপরেটিভ সোসাইতিশিংগী থবক থৌরমশিং অমসুং কোওপরেটিভ থৌশিল খ্বাইদগী নেম্বা থাক্তা ফাওবা য়ৌহন্নবা থৌরাং কয়া খন্নখি।

মণিপুরগী নুপী ফুটবোলগী গোল কিপ্পর এলাংবম পান্থোই চনুনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখি। মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখিবা অদুদা পান্থোই চনুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেত্রো য়ুনাইতেদ দব্লিউ.এফ.সিগী গোল কিপ্পর ওইনা মহাক্কী হৈথোই শিংথোইবা উৎখিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি। মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ওইরসু হায়খি।

জাদোনং (এল)ঃ ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনংনা লৈখিদবগী ৯৩ শুবা কুমওন ঙসি মনিপুরদা পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎসিগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

হাইপৌ জাদোনং দেদ এনিভরসরি কমিতিনা শিন্দুনা ৯৩ শুবা হাইপৌ জাদোনং নীংশিং থৌরম কৈশাম্পাৎতা লৈবা হাইপৌ জাদোনং মেমোরিএল পার্কতা পাঙথোকখি। লুচিংবা অসিগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনংগী পোকফম লমদম নোনে জিলাগী কম্বীরোল-পুইলুৱানদসু ঙসি অথৌবা অসিবু নীংশিংবগী থৌরম হাইপৌ জাদোনং মেমোরিএল কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখি। নুমিৎসিগা মরী লৈননা য়ুনিতি থ্রু কলচর হায়বা ৱাখল্লোন্দা রোংমৈ ফোল্ক দান্স কম্পিটিসন-২০২৪ অমসু লোংমাই পার্ট থ্রি, নোনে দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা পাঙথোকখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা জিলা অসিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লুচিংবা অসিগী মফমদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎখি।

কবুই য়ুনিয়ন মনিপুরনসু হাইপৌ জাদোনং নীংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফালগী হয়িং খোঙবালদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা পাঙথোকখি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা রোংমৈ অমসুং জেলিয়াংরোং সি.এস.ওশিংনা শিনদুনা পাঙথোকপা নিংথিরবা থৌরম অমদা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হাইপৌ জাদোনংগী মীতম অমা মায়খুম হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা মনিপুর বিধান সভাগী হিলস এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন-দিপু গাংমৈ অমসুং জাংহেমলুং পানমৈ, এম.এল.এ. শরুক য়াখি। থৌরমদুদা শ্রী অৱাংবৌনা হায়- জাদোনংগী মীতম অসি অমত্তা ওইবা, মশাগী ইজৎ লৈজবা অমসুং নিংতম্বগী খুদমনি।

নিমুবেন (এল)ঃ কেন্দ্রগী কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী রাজ্য মন্ত্রি শ্রীমতি নিমুবেন জয়েন্তিভাই বমভানিয়া ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কেন্দ্রগী সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনখ্রে। মন্ত্রিনা এম.জি.এন.আর.ই.জি.এসকী মখাদা ফুবালা গ্রাম পঞ্চায়টকী মখাদা নরানসৈনাদা মনিং লৈকাইদা লৈবা অমৃট সরোভরগী মফম য়েংশিনখি। মহাকা ফুবালা মখা, মমাং ৱার্দ নম্বর ফোরদা লৈবা অয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরসু য়েংশিনখি।

তুংদা নিংথৌখোং অৱাং ৱার্দ নম্বর ফোরতিনদা নেসনেল হেন্দলুম ভিলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎলিবা হেন্দলুম কলষ্টরশিং য়েংশিনখি। পোৎশংবম ৱার্দ নম্বর নাইনদা পি.এম.এ.ৱাই.জিগী মখাদা শেমগৎলিবা য়ুমসু য়েংশিনখি। তুংদা বিষ্ণুপুর মিনি সেক্রেটরিয়েটতা পাউমীশিংগা উন্নবদা মন্ত্রিনা হায়- জিলা অসিদা ভারত সরকারগী মখাদা পায়খৎলিবা স্কিমশিং কোইনা চত্তুনা য়েংশিল্লুরে। মহাকা হায়- সবকা সাথ, সবকা বিকাশ হায়বা মন্ত্রগী মখাদা মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা থবক তৌরি।

অমরোমদা, কেন্দ্রগী সি.এ.এফ এন্দ পি.দি রাজ্য মন্ত্রি এল. মুরুগান হয়েং মণিপুরদা লাক্কনি। মহাকা হয়েং নুংথিল বিষ্ণুপুর জিলাগী নরানসৈনাদগী হৌরগা মফম কয়া চত্তুনা য়েংশিনগনি অমসুং তুংদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা কেন্দ্রগী প্রোজেক্ট অমসুং স্কিম কয়া অমুক হন্না য়েংশিনগনি।

লোল (এল)ঃ মণিপুরী লোলবু অসামগী এসোসিয়েট ওফিসিয়েল লেঙ্গুএজ ওইনা ঙসি অসাম বিধান সভা পাস তৌখ্রে। অসাম বিধান সভাদা ঙসি সরকারগী বিজিনেস বিল খন্নদুনা পাস তৌনবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা 'দ অসাম ওফিসিয়েল লেঙ্গুএজ এমেন্দমেন্ট বিল ২০২৪ খন্নবা পুখৎখি। বিল অদু সভানা মোৎ অমত্তা ওইনা পাস তৌখি। বিল অসি চৎনবনা অসামগী জিলা মরি কছার, করিমগঞ্জ, হৈলাকান্দি অমসুং হোজাইদা তারিবা মণিপুরীশিংদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

অসামগী জিলা মরি-কছার, করিমগঞ্জ, হৈলাকান্দি অমসুং হোজাইদা মনিপুরি লোলবু এসোসিয়েট ওফিসিএল লেঙ্গোইজ ওইরগনি হায়না অসাম সরকারনা লাউথোকখিবা অদুবু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মবু থাগৎপা ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়ানা সেন্দ্রা অমদি মোইরাংগী আই.এন.এ ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা লৈরিবা ম্যুজিয়ম, লাইব্রেরি, ফোটো গেল্লেরি য়েংখি। তুংদা রাজ্যপালনা আই.এন.এ হেদক্বাটরসু চৎখি। মফম অদুদা হেক থুংবগা রাজ্যপালনা নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী মুর্তিদা লৈ কৎখি অমসুং ভারতকী মচু অহুমগী ফিরা ইহান হান্না ভারতকী লৈমায়দা য়ুংখিবা মফম অদুসু য়েংখি।

মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা রাজ্যপাল হায়- নেতাজি শুবাস চন্দ্র বোসনা ভারতকীদমক কৎথোক্লম্বা অসি শিংথানিঙাই ওই। মহাকা পামজরম্বা লম্বীদা ঐখোয়না তুং ইনদুনা ভারতপু হেন্না খুমাং চাওশিনবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনগদবনি।

রাজ্যপালগী খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এ- থোঙাম শান্তি, আই.এন.এ লোকেল এদভাইজরি কমিতিগী মীহুৎশিং অমসুং আই.এন.এ ম্যুজিয়মগী ক্যুরেটর এল. সধনা দেবী লোয়নখি।

রেড ক্রোস (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

ব্রাঞ্চনা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিনগা খুৎশমনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা এৱারনেস কম ব্লড দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা ব্লড দোনরশিংদা ঈ দান তৌদুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনশি হায়না পুকিং থৌগৎখি। রাজ্যপালনা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চতা সার্তিফিকেট ওফ এপ্রিসিয়েসন খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা মীওই ৮০ রোমা ঈ দান তৌখি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবামগী নীংশিং খুলদা লৈরিবা ফমুং ৫০ লৈবা হোস্পিতাল অসি মপুংফাবা হোস্পিতাল অমা ওইহন্নবা দাবী তকশিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মোনিতরিং কমিতিনা শিন্দুনা ঙসি হোস্পিতাল অসিগী মমাংদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা অথুবা মতমদা মতিক চাবা সি.এম.ও থাবীরকউ, হোস্পিতাল অসিবু মপুংফাবা হোস্পিতাল অমা ওইহল্লু অমসুং ইনচার্জগী কলচর থম্বীগনু হায়বা খোল্লাউশিং লাউখি। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা জিলা অসিগী মৈরা পায়বী লুচিংবীশিং অমসুং মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ নার্কোটিক এন্দ এফ্যারস ওফ বোর্দর (নাব) মণিপুরনা চহি লিশাং শিৎনা চথুরকপা এন্তি ড্রগ কেম্পেন ঙসি ককচিং জিলাদসু নাব অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকা পুন্না শিন্দুনা জিলা অসিদা লৈবা পদ্মা রতনা ইংলিস স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ককচিংগী সেনিয়র এস.পি- টি.ঐচ. বিক্রমজিৎ, নাবকী এস.পি- দব্লিউ. বাসু অমসুং নাবগী এদ্দিসনেল এস.পি- ৱাই. কিশোরচান্দনচিংবা য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মহৈরোইশিংনা নিশাদগী লাপথোকবা হোৎনগদবনি। হান্নন নিশাগী চৈথেং ফংলবা মীওইশিংনসু অখণ্ড অহৈ তান্নরগা নিশাদগী লাপথোকবা হোৎনবা চুমগনি হায়না ফোংদোকখি।

উখ্রুল (এল)ঃ এনিমেল হজবেন্দরি অমসুং ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি- খাসিম ভাসুমনা নুমিৎ নিনি চথুগদবা ১৩ শুবা সিরা রাখোং হাথৈ ফেষ্টিভেল ঙসি সিরা রাখোং খুলদা হৌদোকখ্রে। কুম্মৈ অসি নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী মখাদা ইবাদা,

হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন অমসুং মণিপুর ওর্গানিক মিসনগা খুৎশমদুনা সিরা রাখোং হাথৈ প্রমোসন কমিতিনা শিনবনি।

সাহিত্য (এল)ঃ মণিপুরী ৱিমেন্স লিটরেরি এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন, হোজাই, অসামগা পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগা খুৎশমদুনা ঙসি হোজাই নন্দপুরদা শৈরেং শৈদিন্নবা অমদি নুপী অমসুং সাহিত্য হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লুপশিং অসিগী মেম্বরশিং অমসুং মফম অদুগী মীয়ামা শরুক য়াখি।

হিয়াংথাং (এল)ঃ লাক্লিবা থাশি নুমিৎ সেপ্তম্বরগী তাং ৩ দা হিয়াংথাং লাইরেম্বী থোঙ হাংগনি। নুমিৎ অসিদা মীয়ামা লাক্তুনা থৌগল তৌবীরনবা হিয়াংথাং লাইরেম্বী দিভলপমেন্ট সেবা কমিতিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়- মথং থাগী পুর্নিমাদগী হৌরগা তর্পন উসব কৎপা হৌরগনি।

চান্দেল (এল)ঃ কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী রাষ্ট্রিয়া কিশোর স্বাথ্যা কারিয়াক্রম এদোলেসেন হেলথ প্রোগ্রামগী মখাদা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী মীফম অমা ঙসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। রাষ্ট্রিয়া কিশোর স্বাথ্যা কারিয়াক্রম (আর.কে.এস.কে) এদোলেসেন হেলথ চান্দেলনা শিনবা থৌরম অদুদা আর.কে.এস.কে দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার- ডাঃ টি.ঐচ. নোরেন সিংহ্ অমদি দি.এম.ঐচ.পিগী দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার ডাঃ কে.ঐচ. রোবিন্দ্রো সিংহ্ শরুক য়াখি।

উ (এল)ঃ এক পের মা কে নাম হায়বা কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা ভৈরোদান মেক্সৱেল হিন্দি হাইস্কুলগী য়ুথ এন্দ ইকো ক্লবনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী অকোইবদা ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা উ চারাশিং থাখ্রে। উ থাবগী থৌরম অদুদা য়াসগী দাইরেক্তর- টি. ফুলেন, এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তট স্পোর্টস প্রমোসন এস. অনিতা চন, ভারতকী নুপী ফুটবোল কোস চাউবা দেবী অমসুং ইকো ক্লবকী নোদেল ওফিসার তনুজা খুমুকচমনচিংবা শরুক

য়াখি। হয়েং নিনি চনবদা থঙ্গাল বজারদা স্কুল অসিগী অকোইবদা উ চারাশিং থাগনি হায়রি।

ডে (এল)ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি জাতিগী শান্ন-খোৎনবগী নুমিৎ পাঙথোক্লি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্যগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস বিভাগনা শিন্দুনা হিয়াই এভেঞ্চর ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়- মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা তাঙ্কক অসিদগী লান্থোকবা হোৎনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-ইং কুমজা ২০১৭ তগী ২০২৩ গী মে তাং অহুম মমাংদা লৈরম্বা মণিপুরগী চাউখৎ থৌরাং অমদি নুংশি চান্ননা লৈরম্বগী মওং অদু কায়হন্দনা হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মন্ত্রিশিংনা ওফিস চাং নাইনা কাদুনা মখোয় মখোয়না পায়রিবা বিভাগশিং থবক থৌরমশিং নিংথিনা য়েংশিনগদবনি। হৌজিকসু তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগী থবক চখরি। মহাকা হায়- ঙসি পৱারগী ওফিসিয়েলশিংগা উন্নবদা অৱাং নোংপোক লমদমশিংগী মনুংদা মণিপুরনা নুংশিৎতগী মৈ লৌবগী খুদোংচাবা চাউনা লৈ হায়বা খঙবা ঙমলে। মণিরেদাগী দাইরেক্তরনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না মণিপুরগী মফম ৬ তা গ্রিন ইনর্জি পুথোকপা য়াগনি হায়রি। মসিগীদমক দি.পি.আর শেমবা হোৎনরগনি। শ্রী বিরেন্না হায়- মাইনর ইরিগেসনগী মখাদা লৈনুংদগী ঈশিং চিংখৎতুনা লৌ উন্নরিবা মফম ৭৮ দা খঙদোক্তুনা মফমশিং অসিদা সোলর পম্প পাল্লগনি।

মহাকা হায়- মণিপুরদা সোলর রুফিংগী কান্নবা অসি মীয়ামা ইরৌ লৌদবগুম তৌই। মসিগীদমক সরকারনা এপপ অমা শেমদুনা মীয়ামদা মসিগী কান্নবশিং খঙহন্নবা হোৎনরগনি।

থৌরমদুদা পেরিস ওলিম্পিক্স ২০২৪ দা শরুক য়ারুবী শাইখোম মিরাবাই চনুদা দম্মি চ্যেক খুৎশিন্নখি।

নেসনেল স্পোর্টস ডেগী থৌরম স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া, নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্তরনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা শান্ন-খোৎনবগী মশান্নশিং পাঙথোকখি অমদি য়ুথ এফ্যারস

অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা লুচিংদুনা সাই এন.ই.আর.সি ইম্ফালগী তাকয়েল কেম্পসতা উ চারাশিং থাখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ককচিং এরিয়ানা রেকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইন্তর স্কুল ফুটবোল তুরনামেন্ট অমা ঙসি ককচিংদা লৈবা য়াইসা স্পোর্টস এরেনাদা পাঙথোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা জে.আর.দি পাটসিকর একাদমি ককচিংনা গ্রেজ কোতেজ একাদমি ককচিংবা পেনালতিদা পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সেক্তা অৰাং লৈকাইদা থি হুন্বগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল অহুম, মেগজিন য়াওবা এস কেলিভর রাইফলস অমা, মেগজিন য়াওবা ইন্সাস এল.এম.জি অমা, মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অনি অমদি নোংমৈ মরু য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম.এল.এ জয়কিসনগী লৈকিনথবীদা লৈবা ফার্ম হাউসপু ঙাক শেল্লিবা সেক্যুরিতি গার্দতগী নোংমৈ লাকখিবগা মরী লৈননা মীওহ্ মঙা ফারে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা পুলিসকী মীওই মরি য়াওরি। মখোয় মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবা পুলিস কষ্টদিদা নুমিৎ ১০ নি থমখ্রে।

লম্বী (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা শৌদোংপুংগী অকোইবা লম্বীগী ফিভম ফৎত্রিবা অসি মতম কুইনা সরকারনা শেমজিনবীদনা লাকখিবা দ ওরিয়েন্তেল লেভেল্লর এসোসিয়েসন (ওলা)না ঙসি শেমজিনখ্রে। এসোসিয়েসন অসিগী চেরোল অমনা হায়- সরকারনা মীৎয়েং চংবীদুনা লম্বী পরিং অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা আপীল তৌরক্লি।

------